থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ৱেলফেয়র ষ্টেট ! মঙফাওনররোইদবা মঙলান।

'ৱেলফেয়র ষ্টেট' হায়বা ৱাহৈ-ৱাপা (ফ্রে জেল ৱর্দ) অসি ইংরাজি-লোলগী পূক্কৈদা হাপচিল্লকখিবসি ১৯৪১দগীনি। 'আর্চবিসোপ তেম্পল' হায়না খঙনবা চর্চ অদুনা ইহান হান্না শীজিন্নবা হৌরকখিবনি হায়না লাইরিকশিংদা ইরম্বা থেংনৈ। ঐখোয়গী লোল'দা হন্দোকপা তারবদি 'নুংঙাই-য়াইফবা লমদম' হায়বা তা'মাল্লে। ৱাহৈ-ৱাপা অসিগী ৱাহম্বোক্তি-'লমদমদুগী লৈঙাক (গভর্ণমেন্ট) অদুনা লমদমদুদা লৈরিবা মীকোক (মীচম-প্রজা-নাগরীক) খূদিংমক্কী নুংঙাই-য়াইফনা হিংনবগী/হিংহন্নবগী থৌদাং অদু লৌবীবা' হায়বনি। লৈপাক অসিগী প্রজাশিংবু য়াইবী-মরাঙ-কায়', নুংঙাই-য়াইফনা লৈহন্নবগীদমক্কি 'লৈপাক ঙাকপা' (লৈঙাকপা) হায়বা মী মখল অমা মীওইবনা শেল্লল্লিবা। ঙসিগী 'লৈঙাক', ঙরাংগী 'নিংথৌ' হায়'দুনি। তৌগে'দা ঙম্বা অকনবা ! অকনবা, অঙম্বা নিংথৌদুনা লৈপাক ঙাক্লিঙৈ, মহাক্কী মরন্নাই ওইবা অনীংবা, অপাম্বদুনা মাঙওইনবা, মহাক্কী মায়োক্তা লৈবা খূদিংমকপু য়েক্লবগুম লৌ' মীওৎ-মীনৈ চথবা-লৈপাক খূদিংমক্কী পুৱারীদা থেংনরক্লবা চৎনবীনি। চৎনবীসিবু ৱাখৈনবা, লৈপাক ঙাকপা হায়বসি 'লৈঙাকপ'দুগী মরন্নাই ইন্টরেষ্ট'তা থবক তৌবা, মরল মথুম লেপশিনবদু নত্তে, মীয়াম পূম্নমকপু অমত্তা ওইবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা থোং-মান্ননা চাওখৎমিন্ননবা হোৎনব'দুনি হায়বসি মীয়ামদা খঙহন্নবা পোলিটিকল থিঙ্কর খরনা হোৎনরক্লিবসি কুইরক্লে। চহী লীশিং কয়াদগীনি। পোলিটিকল থিওরি পুথোকপা অমদি থিওরি'দু সাইন্টিফিক ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংননবা হোৎনরকপা... লম অসিদদি মাঙজীল থাবা জাতি অসি গ্রীক'শিংনা ওইগদ্রা খল্লি। মিথ অমদি ফিলোজোফিগা পূনশিন্নবা, ইতোৎ তোৎশিন্নবা গ্রীকশিংনা পুথোক্লম্বা থিওরি'সিগী মমাঙগী ৱারীবুদি ইন্দিয়ন বেদিক-লিতরেচর'দসু ফংই। অদুবু, মোদর্ন পোলিটিকল হিষ্ট্রি'দা 'ৱেলফেয়র ষ্টেট'কী কন্সেপ্ত অসিদি নোংচুপলোমগী খুদোলনি।

বৃটিশশিংগী লোই-লম ওইনা, বৃটিশ, রুল্লরশিংনা থমায়খ্রবা জাতি অমা ওইনা মতম শাংনা লৈরকখিবনা, বৃটিশশিংনা শঙলম্বা ৱাখলগী মচু অদু কোকপা ঙমদনা 'নীংতম্বা লৈপাক' অমা ওইনা চহী হুম্ফুতরামঙা লৈরকপগী হরাও-তয়াম-ফোঙদোকপা অচৌবা-কুম্মৈ (মহা-উৎসব) হৌজিক হৌজিকমক পাঙথোক্লি। মথঙ-চহী (২০২৩) গী ওগষ্ট ১৫দা কুম্মৈ অসি লোইশিনগনি। কনাগীসু মপাল তাঙদনা, মশা-মরোমদোম হিংজবা ঙম্লবা (আত্মনির্ভর) ভারত অমা ওইহনগনি হায়বা অচেৎপা ৱাশক অমগা লোয়ননা লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্টনি হায়ববুদি খঙই ঐখোয়। মীয়ামগী থম্মোয় খোন্দুনা পুবা ঙম্বা স্লোগান শেম্বদদি মপা (লম্বা) লৈতবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনি হায়বদুসু খঙই ঐখোয়। অদুবু, ৱারেঙসিগী অহৌবদা পঞ্জখিবা 'ৱেলফেয়র ষ্টেট', নুংঙাই-য়াইফ-মরাঙ কায়বা লম অমা হায়বদুদি ওইরবরা? অচৌবা ৱাহং অমনি। ঐগী ওইবা ইরন্নাই-ৱাখলদদি- 'ওইননবা হোৎনরিবা, ওইহনবদি ঙমদ্রিবা' ষ্টেট অমনি হায়না খল্লি- 'ইন্দিয়া'। অদুগা, 'সিমসু খঙই ঐ-ঐগী ইরন্নাই ৱাখলসি পোলিটিক্স হায়বা শিনফম অসি পায়রিবা পোলিটিসিয়নশিংনদি য়ানীংলোই। হায়রক্কনি- চাওখৎপগী লমজেলদা মাঙজীল থংবা লৈপাক অমা ওইরক্লিবনি ইন্দিয়া'। ইন্দিয়ন অমা হায়বদু পোকপদগী ওইরক্লবনা, করিগুম্বা হীরম অমদা ইন্দিয়া'না মীথোয়-মীহেন ওইরকপা, প্রাইম মিনিষ্টর মোদি'না মালেমগী খ্বাইদই ইনফ্লুয়েন্সল ওইবা মীকোক তরাগী মনুং চল্লকপা, মালেমগী ইনাকখুনবা মঙা খনগৎপদা ইন্দিয়ন অমা য়াওরকপা... অসিনচিংবই পাউ তাবদা, ইশামক্তি লায়রবা-মীওই-ফুরুপ্তুদা চল্ল'সু, থম্মোয়'-মচি অমদা চাউথোকচবা অমদি পোকখ্রিবনি। মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্র'না মশানা য়ানীংদ-য়ানীংদা মণিপুরবু ইন্দিয়াদা পূনশিনহনখিবদা থাবল চোংদুনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা মখোয় খরদু 'মণিপুর'বু নুংঙাই-য়াইফবা-ষ্টেট অমা ওইহনজনীংবা, মঙ-লল্লোনবা-লায়রবা মচা শোয়দনমক্কী ওইরম্লি।

'ৱেলফেয়র-ষ্টেট' হায়বসি, মহৌশাগী পোথোক-খোনিনা থন্না লৈরবা, ইনাকখুনবা লৈপাক অমগী শক্তাক ৱাহৈ নত্তে। লৈপাক্তুগী লৈঙাক-পথাপ অদুনি। লৈঙাক-পথাপ, পোলিটিকল সিষ্টেম অদুনা লীপুন অমা ওইদুনা লৈপাক'তুগী নাগরীক/সিটিজেনশিংবু মশা-মউ-ফনা থম্নবা, চাবা-থকপা-শেৎপা অমদি য়ূম্লে-কৈরৈনচিংবগী অৱাবা লৈহন্দনবা, সূফম-নোম্ফম-শেম্ন্থোক-লম্বীনচিংবগী থৌরাঙ নীংথিনা য়াৎপীরবা... অদুগুম্বা লৈপাক অদুনি 'ৱেলফেয়র ষ্টেট'। গ্রান্ত, পেন্সন অমদি মখল কয়াগী শেন্থঙ (বেনিফিট-স্কিম) ইন্দিয়া'দসু, ফোর দেৎ মেত্তর, মণিপুরদসু থেংনরিবা- 'ৱেলফেয়র-ষ্টেট' অমদা চৎনরিবা মচৎ, তৌনরিবা থৌশীল অদু য়েংলগা শেমখিবা, চে'দা লৈবা চৎনলোন অদুনি। লুরিবদি, থৌরাং অদু থবক ওন্থোকপা ঙম্বা/ঙমদবগী ৱাফম অদুনি। ফাইনান্সল-ইনক্লুজন-মীপূম খূদিংমক্তা সরকার'না পীবা শেলগী শেন্থঙ ফংহনবা, হায়বদু স্লোগান লাউবা হৈবা লৈঙাকসিগী স্লোগান অমা ওইদুন'সুম লৈহৌরে। লৈঙাক্লা শেম্বা, প্রজাগী য়াইফ-থৌরাং/ৱেলফেয়র স্কিমশিং-মন্ত্রি-মন্দল/অচৌ-অশাংগী নক্লবা মরী-মতা/খঙন চান্নবশিংতগীদমক শেম্বীবা ওইরম্লে। সরকার'না মীচম-প্রজাগী য়াইফ-থৌরাঙগীদমক কাইথোকখিবা শেনফম- 'এন্দয়ুজর' (ফংফম থোকপা মী)দুগী মখূত্তা লুপা চামা য়ৌফম থোকপদা লুপা মঙা/তরাদগী হেন্না য়ৌরমদে হায়বসি প্রমানগা লোয়ননা লাইরিক ওইনা ইদুনা ফোঙদোকখ্রবনি (নন্দন নিলকেনি'না ইবা 'ইমাজিনিং ইন্দিয়া')। নেসনেল হেল্থ মিসন... নেসনেল ইন্স্যুরেন্স স্কিম...নচিংবা বৃটিশ মোদেল লৌদুনা ইন্দিয়ানা হৌদোকখিবা কান্নফমদি খঙখিদ্রবা, ঙসিসু খঙদ্রিবা য়াইফ-থৌরাং ঙাক্তনি। কান্নররোই খঙবদগী ঙসিদি অসিগুম্বা তঙায়ফদবা সেক্তর কয়াসিসু শেঞ্জাও পায়বা প্রাইভেট সেক্তরদা য়োন্থোকখ্রেদনা। শেঞ্জাও পায়বা, কেপিটেলিষ্টশিংনা চলাইবা লৈপাক অমগী ইকোনোমি'দা কদায়দগী ৱেলফেয়র-ষ্টেট-কন্সেপ্ত?

ৱারেঙ অসি ঐগুম্বা অমনা ইফম থোক্তবা ৱারেঙনি। ঐ খঙই। ঐহাক ইকোনোমিষ্ট অমসু নত্তে, সোসল/পোলিটিকল সাইন্টিষ্ট অমসু নত্তে। অদুবু, ৱেলফেয়র-ষ্টেট অমদা হিংফম থোকপা, শেম্থোক ৱাৎলবা সিনিয়র সিটিজন অমনি। কোরোনা-লাইচৎনা ইন্দিয়া'দা এট্রেক তৌরকঙৈদগী তোকখিবা, ত্রেন তোংদুনা চৎচবা, মখল খরগী মীওইশিংদা পীরম্বা সবসিদি (রেল-ত্রাবেল-কন্সেসন) ২০২০ মার্চথাদগী পীবা লেপখিবনি- মখল খরগী তমথীবা অনাবনা নারবা মীওইশিং, মহৈরোয়শিং, নেসনেল এৱার্দ ফংলবা স্পোর্টসমেন/সিভিলিয়ন খরখক্তুদা পীবা নত্তে। কলাকার, শান্নরোয় অমদি সিনিয়র সিটিজেনশিংদা পীরম্বা কন্সেসনগী খুদোংচাবা পীরম্বা তোকখিবদগী ইন্দিয়ন রেলৱেজ'না 'রেলৱে-কন্সেসন পীবদা মাঙলম্বা শেনফম লুপা ক্রোর ২০৫৯ (২০১৯-২০)দগী সুপ্নগী লুপা ক্রোর ৩৮ (২০২০-২১)দা হন্থরকখি- হায়বসি রেলৱে-মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্ট'তা ফোঙদোকখিবনি। অদুগা, এম এল এ/এম পি/এক্স-এম পি/মিনিষ্টরশিংদা পীখিবা/পীরিবা লুপা ক্রোর ৬২গী ৱাফমদুদি পনখিদে। সিনিয়র সিটিজেনশিংদা ফংহল্লম্বা রেল-ত্রাভেল-কন্সেসন (চহী ৬০ হেল্লবা নুপাশিংদা চাদা ৪০, চহী ৫৫ হেল্লবা নুপীশিংদা চাদা ৫০)দু অমুক হন্না ফংহল্লরোই... লৈঙাকসিগী ৱারেপ্পি।

'য়াইফবা-লমদম' (ৱেলফেয়র ষ্টেট)- ঙসিদি মঙফাওনররোইদবা মঙলান হায়বদু ওইনা লৈহৌরনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# হকচাংগী অৰূম্বা হেনবা

## নুপীমচাশিংদা অজমা নারকপগী ওইথোকপা

অঙাং ওইরিঙৈদা ওইবা হকচাংগী অৰূম্বগা অজমাগী রিস্ককা নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

দেনমার্কতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেনগী প্রোফেসার চার্লোট সুপলি অলরিকনা লুচিংদুনা চত্থখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, হকচাংগী অৰূম্বা হেনবা নুপীমচাশিং অজমা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। অমরোমদা, নুপামচাশিংগী ওইনদি হকচাংগী অৰূম্বা ৱাৎপা মীওইশিং লায়না অসি নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়রি। মশাগী চহী ১৩ শুরবী নুপীমচাশিং অমসুং চহী ১২ শুরবা নুপামচাশিংগী বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ওন্দুনা য়েংবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

হকচাংগী অৰূম্বা য়েংলগা কনাগুম্বা মীওই অমদা অজমা নারকপা য়াবগী রিস্ক খঙবা ঙম্লে হায়না পল্লদুনা রিছার্চরশিংনা হায়খি, ইচম চম্বা মীওই অমগা চাংদম্নবদা হকচাংগী অৰূম্বা হেনবী নুপীশিংনা অজমা নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৩৯ লোম হেল্লি। নুপামচাগী ওইনদি হকচাংগী অৰূম্বা শুদবা মীওইশিং লায়না অসি নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ২৪ রোম হেনগৎলকই।

অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মীওইবদা অজমাগী রিস্ক খঙদোকপগা লোয়ননা পুন্সি মহিং শেমদোকহন্দুনা রিস্ক হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা য়ারগনি। ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা রিছার্চরশিংনা মশাগী চহী ৭ তগীনা ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ৩০০,০০০ গী বি এম আই ওন্দুনা য়েংখি। হায়রিবা অঙাংশিং অদুগী মনুংদা হকচাংগী অৰূম্বা হেবী নুপীমচা চাদা ৩৯ অমসুং অৰূম্বা শুদবা নুপামচা চাদা ২৪ অজমানা নারক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎপা থেংনখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি লন্দনদা হন্দক্তা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ন রেস্পিরেটরি সোসাইটিগী ইন্টরনেসনল কনফরেন্সতা পুথোরকখিবনি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী চিলদ্রেন'স হোস্পিটাল ওফ ফিলাদেলফিয়া (সী ঐচ ও পি) দা লৈবা ডা. দেবিদ হিলনা হায়খি, ফূদ এলর্জি (অখন্নবা চীঞ্জাক অমা চারুবদা এলর্জি তৌরকপা) তৌগনবা অঙাংশিং অজমাগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। কুমজা ২০০১ দগী কুমজা ২০১৫ ফাওবা সী ঐচ ও পি ক্যের নেটৱার্কনা অর্বান অমদি সবঅর্বান এরিয়াদা লৈবা অঙাং মিলিয়ন অমরোম হেনবগী ইলেক্ট্রোনিক হেল্থ রেকোর্দ নৈনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

বৃটিশ মেদিকেল কাউন্সীলগী 'বি এম সী পেদিয়াট্রিক্স' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, ফূদ এলজিগী চাং ৱাংলিবমখৈ অজমা অমসুং এলর্জিক রাইনাটিসকী রিস্কসু ৱাংই। অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা মরম্না মালেমদা অজমা নাবা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে। লংসকী অনাবা অসি ইনফ্লেমেসননা মরম ওইরগা নিংশা শ্বর হোনবগী লম্বী খুজিল্লকপদগী ওইরকপনি। লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং নিংশা শ্বর হোনবদা ৱারকই, থবাক নারকই, লোক খুরকই অমসুং নিংশা শ্বর হোনবদা মখোল থোরকই। মালেমগীওইনা হৌজিক অজমানা নাবা মীওই মিলিয়ন ৩০০ লোম শুরে। মসিগী মনুংদা শরুক ১০ থোকপগী অমদি ইন্দিয়াদা লৈরি।

লায়না অসিনা মপুং ফানা ফহনবা ঙমদ্রবসু পুন্সি মহিং হোংদোকপগা লোয়ননা চাকচা য়ুথক শেমদোকপা অমসুং উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং, নট, হোলগ্রেন অমদি অস্সেচুরেটেদ ফেট্টি এসিদ চাবা মতমদা লায়ওং হন্থহনবা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি খরগী রিপোর্টতগী খঙবা ঙম্লে। অজমাগী লায়ওং হন্থহন্নবগী মতাংদা অকক্লবা চীঞ্জাক খরা চারোইদবনি হায়রি। মরুওইনা এলর্জিক রিয়েক্সন থোক্কনবা য়েরুম, শঙ্গোম, নুঙ হৱাই, কোংগ্রেং অমদি ঙা মখল খরনি। অজমা অমদি এলর্জিক রাইনাইটিসকী খুদোংচাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ সলফাইদ য়াওবা চীঞ্জাকশিং, মরুওইনা ৱাইন, বিয়র, অচার, লাইম জুইস, দ্রাই ফ্রুইট, দ্রাই ভেজিটেবল অমসুং প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাক চারোইদবনি। থুম কা-হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক, ফাষ্ট ফূদ অমদি প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাক চাবনসু অজমাগী ফীভম হেঞ্জিলহল্লি। থুম কা হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক চাবা মতমদা নিংশা শ্বর হোনবগী মরী পোমখৎলক্তুনা ঈদা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংহনবা ঙমদে।

জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসন (জে এ এম এ) দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ঈশিং মরাং কায়না থক্তুনা হকচাংবু দিহাইদ্রেসন তৌহন্দ্রবদি অজমা অমসুং এলর্জিক রিয়েক্সনশিং ঙাকথো-কপদা মতেং পাংই হায়রি। মদুগীসু মথক্তা হকচাং চোকথহন্দে, ষ্ট্রেসকী চাং হন্থহল্লি, হার্ট এটেক্কী রিস্ক হন্থহল্লি অমসুং কিদনিদা নুঙ লৈহন্দে।

হকচাংদা এনর্জি খ্বাইদগী পীবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঈশিংসু অমনি। মরম অদুনা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা ঈশিং মরাং কায়না থকপা মতমদা হকচাং তেকখৎহল্লি। হকচাংদা ঈশিংগী শরুক ৱাৎহন্দবা তারবদি ষ্ট্রেস হন্থহনবা ঙম্মী। পূক্লিং-ৱাখল চরাংনরকপা মতমদা ঈশিং গ্লাস অমা থকচিল্লবদি ৱাখল ঈংথহল্লি। ঈশিং ৱাৎপদগী দিহাইদ্রেসন তৌরবদি পূক্লিং-ৱাখল চরাংনবা ফাওহল্লি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মীওইবগী ব্রেন অসি চাদা ৭০ দগী ৮০ ফাওবা ঈশিং ঙাক্তা ওইবননি।

ঈশিং মরাং কায়না থকপনা অজমা অমদি এলর্জিসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। ঈশিংগী শরুক ৱাৎপদগী দিহাইদ্রেসন তৌরবদি ইম্মুন সিষ্টেমদা অকায়বা থোকহন্দুনা এলর্জি তৌরকই অমসুং হিষ্টামিনগী চাং ৱাংখৎলকই। হিষ্টামিন হায়বসি ইম্মুন রেস্পোন্সকী শরুক অমা ওইনা হকচাং মনুংদা তুংদুনা লৈবা ওর্গানিক নাইট্রোজিনস কম্পাউন্দ অমনি। হিষ্টামিনগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লবদি নাতোন মহী চেনবা, নাতোন ফুনবা, হাকথি খনবা, মীৎ চোৎ-চোৎ লাউবা অমসুং খৌনাও মরেং মরেং চৎপনচিংবা এলর্জিক রিয়েক্সনগী লায়ওং উৎথোরকই। মদুগীসু মথক্তা নুংশিৎ মরীদা অকায়বা থোকহনবদগী অজমা ওইহল্লকই, চনিং তানা শ্বর হোনব য়াহন্দে, লোক খুহল্লি অমসুং নিংশা শ্বর হোনবদা মখোল থোরকই। ঈশিং মরাং কায়না থকপনা কোরোনরি হার্ট দিজিজগী রিস্ক হন্থহন্দুনা হার্ট এটেক তৌহন্দে। কিদনিদা নুঙ লৈরকপা য়াবগী রিস্কসু হন্থহল্লি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা বিষ্ণু আর্ট এন্দ কলচর রিছার্স এন্দ ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণু আর্ট এন্দ কলচর রিছার্স এন্দ ট্রেনিং সেন্টর (ভি এ সী আর টি সী) বিষ্ণুপুর মণিপুরগী ক্লাস ওপনিং সেরেমোনিগী থৌরম অমা বিষ্ণুপুরদা লৈবা কিয়াম্বা নীংশিং শঙলেনদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সেন্টর অসিগী কেম্পস অমসু ৱার্ক্স এন্দ য়াস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱার্ক্স এন্দ য়াস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর পি গুনিন্দ্রো, দি সী বিষ্ণুপুর এল বিক্রম, এক্স-মিনিষ্টর কে ঐচ পুলিনকান্ত, ভি এ সী আর টি সীগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ য়াইমা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার এল রাধাকান্ত, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিরেক্টর (সী দি সী) ডা. এল সুরজিৎ, এস দি পি ও বিষ্ণুপুর মনোজ প্রভাকরনচিংবনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না বিষ্ণু আর্ট এন্দ কলচর রিছার্স এন্দ ট্রেনিং সেন্টর, বিষ্ণুপুরগী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু উৎখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ৱার্ক্স এন্দ য়াস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা মণিপুরবু মশক তাক্লিবসি ঐখোয়গী আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসননি। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ঐখোয়গী কলচর অমদি আইদেন্টিটি ঙাকপা মথৌ তাই। ঐখোয়গী নাৎ অমদি চৎন-কাঙলোনশিং অসি ঐখোয়না য়োকখৎকদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ঙসি য়ুনেস্কোনা শকখঙবীরবা মণিপুরগী ফজখ্রবা মণিপুরগী রাস লীলা ঐখোয়না মাঙখিদনবা য়োকখৎকদবনি। ইশাগী নাৎ ঙাক্লা চৎতুনা ইশাগী আইদেন্টিটি ঙাকমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি লিংখৎলিবা বিষ্ণু আর্ট এন্দ কলচর রিছার্স এন্দ ট্রেনিং সেন্টর অসিনা তুংগী হৌরক্কদবা নহারোলশিংগী মোরেল ফগৎনবা হোৎনবদা নত্তনা ঐখোয়গী কলচর ঙাকপদসু মতেং ওইরসনু হায়বা ৱাফম থমখি।

# ইমালোলগী নুমীৎ থৌরমদা লিটরেরি এৱার্দশিং লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম (পি এ দব্লিয়ু এফ) মণিপুরনা শীন্দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ইমালোলগী নুমীৎ মণিপুরী লেংগ্বেজ দে সেলেব্রেসন লাক্লিবা ওগষ্ট ২০গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ১৯৯২দা মণিপুরী লোলনা ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমীৎপু নীংশিংলদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইমালোলগী নুমীৎ থৌরমগী মনুং চন্না ফোরম অসিনা চহী খূদিংগী লৈপাক নীংবা ৱারীমচাশিংদা লেপ্তনা পীদুনা লাক্লিবা পাচা মীতৈ লিটরেরি এৱার্দ ২০২২ লুপা ১০০গী অইবা মাইবম প্রেমোজিৎ; ডা. সরোজ নলিনি অরাম্বম পেরেট লিটরেরি ২০২২ নোংঙানখিদ্রবা অহিংগী অইবী খুমন্থেম অনেশ্বরি অমদি আর কথিং তাংখুল লিটরেরি এৱার্দ ২০২২ ইমাগী অইবী দেবজানি য়ুম্নামদা পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎকনি।

এৱার্দ অসিদা কেস ওইনা লুপা লিশিং ৩/৩, সোল, সাইটেসন অমদি মমেন্টো অমমম য়াওরি। কেস এৱার্দ অহুম অসি চহীসিগী ওইনা ৱাংজিং বজার কোওপরেটিভ সোসাইটি, ৱাংজিংগী সেক্রেটরি সোবিতা মাইবমনা কৎপা এৱার্দনি। ইমালোলগী নুমীৎকী থৌরমগী মনুং চন্না কে সী মঙাংনা ইবা ঐখোয়গী হোজাই হায়না হোজাই লমদমগী মরমদা ইবা লাইরিক অমসু হৌনবী মতুংইন্না ফোঙগনি। থৌরম অসিদা লংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যামনা অথোইবা মীথুংলেন, ফোরমগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা থৌরম মপু অমদি ফোরমগী পেত্রোন মেম্বর ডা. নোংমাইথেম শান্তনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা খুন্দ্রাকপম সোমেন্দ্রো অমদি লাইশোম গুলাপনা স্পেসল গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৮।২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা;
থৱানগী ২১ নি পনবা।

মেষ: হরাওবা নুংঙাইজবা, মরুপ-মপাংনা লুনা তৌবীবা, য়েৎনরসু থবক পাঙবা অমদি শেল ফংবা নুমিৎনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি থৌয়াম পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: কল্লকপা অমদি লৌথোক চাথোক্লিংবা য়াম্মী-শাজৎ হৈয়ু। অচুম্বনা মাঙওইনদুনা থৌপাঙবদি অমাঙবা লৈরোই, লৌশিং অমদি লন মরাং কায়না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীতোপ থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: খুৎচাও থানা শেন্দোং তানবা মতাং চাবা নুমিৎনি। অনম তানবগীসু কান্নবা ফংলনি, মীয়ামগী মতেং পান্নদি ফংগনি। অনৌবা থৌরম পায়বা য়ারনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: মথা শারম্বা ফরনি অদুবু নোল্লুক্লা চৎত্রদি নচাক নরলদা তায়নরক্কনি। লন তানগে নীংলদি থৌনাদি লৈয়ু-মায় পাক্কনি, নচা-ননাইগী লমদদি শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: ৱাঙাং হৈয়ু অমদি অখঙ অহৈগী পাউতাক লৌরগা তুংগী পোরম শীল্লু। য়েংশিনবদি লৈররোই, ইমুং-মনুং ৱাখল মান্নগনি, অফা-অপুন কোকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: লান্দবনা মায় পাকচগনি। অফবা মরুপ ফংগনি, লৌশিং তানশিনবা মতাং চাগনি, মীয়ামগী মতেংনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজরো হায়বা লৈ-চাওথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: লাইবক ফরনি, মীচঙ লৈগনি, লল্লোন ইতিক য়াম্না কান্নগনি। ইচঙ থৌবনা শেল-থুম তানবতা নত্তনা মীকোক থোংবসু ঙম্লগনি-চিংনবা থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃশ্চিক: মতাং চাদনা থৌনা ফুদোক্কনু অমদি থৌয়াম পুগনু। ঈকাই খুম্নবীবদি ফংগনি, অরং-অরাক লেপশিনবগী নুংঙাইজবা লৈগনি অমদি শেল চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: মতম মাঙবনা হেনগনি-খুৎচাও থাগনু অমদি তুং-মাঙ য়েংদনা থৌ পাঙগনু। মরুপ-মপাংগা ৱাখল তান্নবদি ৱাৎকনি। থিবা হুম্বা, খাঙবা কনবা মথৌ তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবা লৈ-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মীৱা লৌরদি নুংশিবা মী কায়নগনি, অরাপ্পা মী লোয়নবা কান্নবা ৱাৎকনি। ৱাজাও ঙাঙবা অমদি অনম তানবনা মাঙজবতা নংগনি। মীনা য়ানবা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কুম্ভ: ঈংথনা লৈগদবা নুমিৎনি। নাপল তৌবা অমদি অনম তানবনা মাঙজবতা নংগনি। লল্লোন ইতিক্তদি কান্নগনি, য়েক্লববু লায়না লাকশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল খরদি নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: থৌনা লৈবা, য়েৎনবা তন্দবা অমদি চিন কনবনা কান্নবা ফংগনি। তুংগী থৌরম য়াৎথোকপসু য়াগনি অমদি অরং-অরাক লৌশিনবা কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# পুনেগী ৱিমাননগরদা পেট্রিওটস দে পাঙথোকপগা লোয়ননা মরৈবাক নীংবা কোইরেংস্না দ্রামা উৎখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌরেলশিং অমদি ঐখোয়গী হৌখিবা ইপা-ইপুশিংগী মথৌনা মরিংজেল লৈ হায়বা ঐখোয়গী পুৱারী খঙহন্নবগী পান্দমদা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরী ইমুং ৭০০গী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা এসোসিএসন ওফমণিপুরী দাইস্পোরা (অমন্দ), পুনেনা শীন্দুনা পুনেদা লৈবা সিম্বিওসিস ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিগী ৱিমাননগর কেম্পসতা পেট্রিওটস দে পাঙথোকপগা লোয়ননা মরৈবাক নীংবা কোইরেংস্না দ্রামা উৎখ্রে হায়রি।

থৌরম অদুদা অমন্দগী প্রসিদেন্ট এঞ্জিনিয়র নাওরেম গিরিধর, ভাইস প্রসিদেন্ট কুল্লবিধু চনম, হান্নগী প্রসিদেন্টশিং ডা. হুইদ্রোম নরেন্দ্র, থবক্তগী পোথারবা মাজ কে ৱাই অমসুং থৌনাওজম পকাসনা, মণিপুরী থিএটর একাদেমী (মাতা) ইম্ফালগী দিরেক্টর সরুংবম বিরেননা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী মনুং চন্না অমন্দগী প্রসিদেন্ট এঞ্জিনিয়র নাওরেম গিরিধরনা লুচিংদুনা পুনে অমদি মুম্বাইদগী লাকপা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওই কয়াগা লোয়ননা বৃটিশনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবা মণিপুর ইমাগী অথৌবা মপারী তরুক থাঙ্গাল জেনরেল, বীর টিকেন্দ্রজিৎ, পাউনা ব্রজবাসি, পুখ্রম্বম কজাও, নিরঞ্জন সুবেদার অমদি চিরাই নাগাগী ফোটোশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখিবগা লোয়ননা অমন্দগী মেম্বর মিলাননা লুচিংবা ভলন্টিয়র মেম্বরশিংনা মণিপুরগী লৈবাক নীংবা ঈশৈশিংসু শকখি। থৌরম অদুদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী ঈদা চেনখিবা থৌনা ফবা অমদি ইমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন অমন্দগী মেম্বরশিংদসু চেল্লি হায়না অমন্দগী প্রসিদেন্ট এন গিরিধরনা ফোঙদোকখি।



HL-P/3658/12/8-12/9